

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, JULY 17, 2018 PAGE 7




*মধ্য প্রদেসকী সিটি ইন্দোরদা পাঙথোকখিবা সেন্ট্রেল জোন নেসনেল রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী জুনিয়র গার্লসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী মধ্য প্রদেকী শান্নরোই অনুসা কুটুম্বালে*

*চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবগী আশাগা লোয়ননা ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এ দা শরুক য়ারিবা জুবেন্টসতা শান্নবগীদমক রোমদা থুংখ্রবা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো*

## সাফ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা শরুক য়ানবগী নেসনেল কেম্পকী শান্নরোই ৩৪ খনগৎপদা মণিপুরদগী উদান্ত, সুরেস, চিংলেনসন্না অমসুং রঞ্জন য়াওখ্রে



উদান্ত সিংহ



সুরেস সিংহ ৱাংজম



চিংলেনসন্না সিংহ



সলাম রঞ্জন সিংহ

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ঃ*

বাংলাদেশনা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৪ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবগী ইন্দিয়াগী নেসনেল কেম্পকী শান্নরোই ৩৪ খনগৎপদা মণিপুরদগী উদান্ত সিংহ, ৱাংজম সুরেস, চিংলেনসন্না সিংহ অমসুং সলাম রঞ্জন সিংহ য়াওখ্রে।

সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা ৭লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। কুমজা ২০১৫ সিজনগী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা আফঘানিষ্টানবু এক্সত্রা টাইম শান্নবদা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ৭লকশুবা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

সাফ ২০১৮ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী শেম শাবা ওইনা ন্যু দিল্লিদা থা অসিগী ২৮ দগী চথ্খগদৌরিবা নেসনেল কেম্প অসিদা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী কোচ ষ্টেফেন কোন্সষ্টেনটাইননা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংনা হেন্না নম্না য়াওহনখি।

বাংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সাফ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মাঙওইননা নেসনেল কেম্প চথ্খগদৌরিবা অসিদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি অমসুং নম্বর ৱান গোলকিপর গুরপ্রিট সিংহ সান্ধু শরুক য়াখিদে।

ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ফুটবোল টিমদগী মণিপুরদগী হৌখিবা সুরেস সিংহ ৱাংজম, প্রাভসুখান গিল, রাহিম আলি অমসুং রাহুল কেপি শরুক য়ারি। অদুগা চহী ২৩ মখাগী ফুটবোল টিমদগী সুমিত পাসি নত্তনা অতোপ্পা শান্নরোইশিং নেসনেল কেম্প অসিগী খনগৎপদা য়াওখিদে।

বাংলাদেশনা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৪ দগী হৌগদৌরিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা সাউথ এসিয়াগী লৈবাক ৬ না লম্বা তৌনগনি। মখোয়শিং অদুদি ইন্দিয়া, পাকিষ্টান, নেপাল, য়ুম্বু বাংলাদেশ, ভুটান মালদিপ্স, অমসুং শ্রী লঙ্কানি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গ্রুপ অনী খাইদোক্তুনা লম্বা তৌনগনি। ইন্দিয়ানা গ্রুপ 'বি' দা শ্রী লঙ্কা অমসুং মালদিপ্সকা তামিন্নরি। গ্রুপ অনী অসিগী মকোক থোংবা টিম অনীনা ফাইনেলগীদমক লম্বা তৌনগদৌরিবনি। মমাঙগী সিজনদা রন্নর্স অপ তাখিবা আফগানিষ্টান হন্দক্কী সাফ চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াখিদে।

ন্যু দিল্লিদা থা অসিগী ২৮ দগী হৌগদৌরিবা নেসনেল কেম্প অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোই ৩৪ অদুদিঃ–

গোলকিপরদা ভিসাল কাইথ, কাবির থাওফিক, কমলজিত সিংহ অমসুং প্রাভসুখান গিলনি।

দিফেন্দরদা নিসু কুমার, উমেস পেরাম্ব্রা, দাভিন্দর সিংহ, চিংলেনসন্না সিংহ, সলাম রঞ্জন সিংহ, সারথাক গোলুই, লালরুৱাথারা, সুভাসিস বোস অমসুং জেরি লালরিনজুৱালানি।

মিডফিল্ডরদা ভিনিট রাই, জর্মনপ্রিত সিংহ, অনিরুধ থাপা, রোহিট কুমার, সুরেস সিংহ ৱাংজম, আর্জুন জয়রাজ, নিখিল পুজারি, ইসাক ভানমালশ্বামা, নান্ধা কুমার, উদান্ত সিংহ, লালিয়াজুৱালা চাঙ্গটে, আসিক কুরুনিয়ান, ভিগনেস দি অমসুং রাহিম আলিনি।

ফোরৱার্দতা সুমিট পাসি, দেনিয়েল লালিম্পুয়া, হিটেস শর্ম্মা, এলেন দিওরি, মনভির সিংহ কিভি ঝিমোমী অমসুং রাহুল কেপিনি।

## সর্বিয়ান য়ুঠ বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৭, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ পুন্না মেডল ১৭ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*সুবোটিকা (সর্বিয়া), জুলাই ১৬ঃ*

সর্বিয়াগী সিটি সুবোটিকাদা চথ্খরকপা ৩৬শুবা গোল্ডন গ্লোভ ওফ ভোজভোদিনা য়ুঠ বোক্সিং টুর্নামন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা গোল্ড ৭, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ পুন্না মেডল ১৭ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবা বোক্সরশিং অদুদি অমান (কেজি ৯১ মথক), অকাস কুমার (কেজি ৫৬), এস বরুন সিংহ (কেজি ৪৯), ভিজয়দিপ (কেজি ৬৯), নিতু (কেজি ৪৮), দিভ্য পৱার (কেজি ৫৪) অমসুং ললিতা (কেজি ৬৯) নি।

কেজি ৯১ মথক্কী কেটেগোরিদা বাই ফংদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমাননা হঙ্গেরিগী বোক্সর লাসজলো ফেলফোল্ডিবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অকাস কুমারনা ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাওটদা আর্জেন্টিনাগী বোক্সর জিহৈল মিক্রো ক্কেল্লোবু পোইন্ট ৩–২ দা থোইরম্বনি।

এস বরুন সিংহনা কেজি ৪৯ দা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক সর্ভিয়াগী বোক্সর রাদে জোকসিমোভিসপু ৪–১ দা থোইরম্লগা কেটেগোরি অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

কেজি ৬৯ কী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর ভিজয়দিপনা ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটদা কজাখষ্টানগী বোক্সর অজাট অসানোভপু য়াম্না নক্না পোইন্ট ৩–২ দা থোইরম্লগা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

সর্ভিয়াদা পাঙথোকপা ৩৬শুবা গোল্ডন গ্লোভ ওফ ভোজভোদিনা য়ুঠ বোক্সিং টুর্নামন্ট অসিগী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর নিতুনা ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটদা স্কোটলেন্দগী বোক্সর বিল্লি দেনহোল্মবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল ফংখি।

ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর দিভ্য পৱরনা কেজি ৫৪ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটদা সর্ভিয়াগী বোক্সর দাজানা গ্রুমুসাবু পোইন্ট ৫–০ দা থোইরম্লগা গোল্ড মেডল ফংখি।

নুপীগী কেজি ৬৯ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর ললিতানা ফাইনেলদা রুশিয়াগী বোক্সর এঞ্জেলিনা কাবাকোভাবু পোইন্ট ৪–১ দা থোইরম্লগা কেটেগোরি অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

য়ুঠ ৱার্ল্ড বোক্সিংগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর জোতি গুলিয়ানা ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৫১ গী ফাইনেল বাওটদা ইটালিগী বোক্সর মার্টিনা পিয়ানাগী মখূত্তা পোইন্ট ২–৩ দা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেডল ফংহৌখি।

কেজি ৬৪ কী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর মনিসা ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটদা রুশিয়াগী বোক্সর লানা মালিয়ুগানোভাগী মখূত্তা য়াম্না নক্কবা স্কোরদা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেডল ফংখি।

কেজি ৮১ মথক্কী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর নেহা যাদব কজাখষ্টানগী বোক্সর দিনা ইস্লামবেকোভানা ফাইনেলদা মায়থিবা পীরম্বদগী সিলভর মেডল ফংদুনা লৈহৌখি।

৩৬শুবা গোল্ডন গ্লোভ ওফ ভোজভোদিনা য়ুঠ বোক্সিং টুর্নামন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনকিত ফাইনেলদা স্কোটলেন্দগী বোক্সর রিজ লিনচকী মখূত্তা মায়থিহৌখি।

লোয়ননা কেজি ৬৪গী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অকাসসু থাইলেন্দগী বোক্সর বান্নাফোন পান্নোননা ফাইনেলদা পোইন্ট ৩–২ দা মায়থিবা পীম্বদগী সিলভর মেডল ফংহৌখি।


নুপাগী কেজি ৭৫ গী কাঙলুপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী নিটিস কুমার থাইলেন্দগী বোক্সর ৱিরাপোন জোংজোহোগী মখূত্তা য়াম্না নক্কবা পোইন্টদা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি।

সেমি ফাইনেল বাওটশিং মায়থিহৌবদগী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবা বোক্সরশিং অদুদি সাসি (কেজি ৫১), সাক্সি গাইধানি (কেজি ৮১), ভাভেস কাট্টামনি (কেজি ৫২) অমসুং অনামিকা (কেজি ৫১) নি।

## স্পেনগী নদাল অমসুং রোমানিয়াগী হালেপনা নুপা অমসুং নুপীগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরি

*পেরিস, জুলাই ১৬ঃ*

ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসননা খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা মকোক মথং তাবগী পরিংদা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরি।



মকোক মথং তাবগী পরিং অসিদা স্পেনগী রাফেল নদালনা পুন্না পোইন্ট ৯৩১০ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি। অমরোমদা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপসু পুন্না পোইন্ট ৭২৭১ ফংদুনা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

নম্বর টু পোজিসনদা লৈরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু ৱিম্বলদনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী মরাথোন ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মায়থিবা পীরম্লবা মতুং সেমি ফাইনেলদা য়ুএসএগী জোন ইসনরবু মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোই কেভিন এন্দরসন থাক অহুম হাইগৎলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীরম্লগা মহাক্কী কেরিয়রগী ৪শুবা গ্রান্দস্লাম টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস প্লস পোইন্ট ১১ ফংদুনা ১০শুবা পোজিসনদা হাইগৎলকপা ঙমখি।

এটিপিগী মকোক মথং তাবগী পরিং অসিদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা পুন্না পোইন্ট ৭০৮০ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি। জর্মনিগী শান্নরোই আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা পোইন্ট ৫৬৬৫ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লেঙদনা লৈরি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা হন্দক্তা লোইশিনখিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর হান্না লৈরম্বা থাক্তগী ৬ হাইগৎলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

নুপীগী কাঙলুপ্তা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকীনা পোইন্ট ৬৭৪০ দা অনীশুবা অদুনা য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা পোইন্ট ৫৪৬৩ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি।

## ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুসু চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়া সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ ফংখ্রে

*ব্রাজিলিয়া, জুলাই ১৬ঃ*

ব্রাজিলগী কোনুং ব্রাজিলিয়াদা পাঙথোকপা ৭শুবা ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুসু চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ৫ ফংখ্রে।

ইন্দিয়ানা সানসৌ দিসিপ্লিনদা সিলভর মেডল ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ৩ ফংবা ঙমখি। অদুগা টাওলু দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ অনী ফংবা ঙমখিবনি।

সানসৌ দিসিপ্লিনদা বাবুলু (৪২কেজি সব–জুনিয়র), সালিম (৫৬ কেজি সব–জুনিয়র), সভিতা (৪৮ কেজি জুনিয়র) অমসুং রোহিট (৮০ কেজি জুনিয়র) না সিলভর মেডল ফংখি।

হিমান্সু (৫৬ কেজি জুনিয়র), স্রুতি (৬০ কেজি জুনিয়র) অমসুং জানভি (৫২ কেজি) না ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।



*ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুসু চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং*

মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই কর্নজিৎ শর্ম্মা হঞ্জবমনা নুপামচাগী টাওলু অমসুং টাইজিজিয়ান ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল অনী ফংবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা চাইনাগী শান্নরোই দাৱৈ ঝৌনা স্কোর ৯.৪২ ফংলগা লৌখি। অদুগা ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুনা জপানগী শান্নরোই নাওয়া কাটোরিনা স্কোর ৯.৩৫ দা ফংখি।

ব্রাজিলদা চথ্খরিবা ৭শুবা ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুসু চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইজিপ্তনা পুন্না মেডল ৭ ফংখি। মদুগী মনুংদা ঙসি মোহমেদ আমিন অমসুং সামিরা মৌসানা ব্রোঞ্জ মেডল অমমম হাপচিনবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি এ টিম অমসুং সাউথ কোরিয়া ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে

*বেঙ্গালুরু, জুলাই ১৬ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি এ টিম্না ঙসি বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগা পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।



*ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়ানা শান্নখিবা মেটচতা শান্নরোইশিং অনীনা বোল মূৱবা*

ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়ানা শান্নখিবা হোক্কি মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর হৌরকপদা সাউথ কোরিয়ানা এটেক হেন্না চথ্খবা ঙমদুনা লাকখি।

শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়ানা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। পেনাল্টি কোর্নর অদু টিম অদুগী দ্রেগ ফ্লিকর জাং জোংহিয়ুননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা শোখ্খরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহানবা ক্বার্টরগী মখা তানা শান্নরকপদা অদুদা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক চথ্খবা হৌরকখি।

শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথ্খরকখিবা এটেক অমদা গুরজান্ট সিংহনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং অহানবা ক্বার্টর অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদুগী শান্নবগী অয়াম্বা মতমদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথ্খদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা এটেক হেন্না চথ্খদুনা শান্নরকখিবা সাউথ কোরিয়ানা শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা জাং জোংহিয়ুননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু অমুক হন্না মখোয়না পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা অনীশুবা ক্বার্টর অদুগী লেমহৌবা মিনট ৭ লোমগী মতম অদুদা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথ্খদুনা শান্নরকখ্রবসু সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী ক্বার্টর অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা সাউথ কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা মায়োক্লদুনা শান্নরকখিবদগী অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদনা লৈখিবদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙমদনা লাকখিবদগী সাউথ কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু ২–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

মরিশুবা অমসুং অরোইবা ক্বার্টর অদু শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা শোখ্খদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি শান্নরোইশিং অদুনা পাঞ্জল হন্দোক্কবা হোৎনদুনা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌখি।

শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী দ্রেগ ফ্লিকর হর্মনপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা মান্ননা লৈখি।

মেটচকী অপীবা মতমদগী লেমহৌবা মিনট ১০ রোম অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাক্কবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়া এ অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মেটচ অদু পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

## এসিয়ান গেমসকী টাইটল দিফেন্দ তৌননবা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি টিম্না হোং কোংগা অহানবা মেটচ শান্নরগনি, ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী ভোল্লিবোল স্কৱাদ লাওথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি। কোলকতা, জুলাই ১৬ঃ*

চহী অসিগী ওগষ্ট ১৮ দগী ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ইভেন্ট অমা ওইরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকী হোক্কি মশান্নগী টাইটল দিফেন্দ তৌননবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম্না অহানবা মেটচ হোং কোংগা শান্নরগা হৌদোক্লগনি। গেমস অসিদা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী ভোল্লিবোল স্কৱাদ লাওথোকখ্রে।

গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা মেটচ অদু ওগষ্ট ২২ দা হোং কোংগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। ইন্দিয়ানা পুল 'এ' দা কোরিয়া, জপান, শ্রী লঙ্কা অমসুং হোং কোং অমসুং চাইনাগা লম্বা তৌনগনি।

পুল 'বি' দা য়ুম্বু ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া, পাকিষ্টান, বাংলাদেশ, ওমান অমসুং থাইলেন্দনা লম্বা তৌনগনি। হোক্কি মশান্না অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী চেম্পিয়ন ওইবা লৈবাক অদুনা কুমজা ২০২০ দা জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

নুপীগী ফাইনেল মেটচনা ওগষ্ট ৩১ দা শান্নগনি অদুগা নুপাগী ফাইনেল মেটচনা সেপ্টেম্বর ১ দা শান্নগনি। ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিদা ভিদিও রেফরেল সিষ্টেমগী মতেংনা কোন্টিনেন্টেল ইভেন্টশিং অসিগী ৱিটনেস ওইগনি।

অতোপ্পা পাও অমদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অসিদা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী ভোল্লিবোল স্কৱাদ ঙসি লাওথোকখ্রে।

নুপাগী টিম কোচনা বির সিংহ যাদবনা ওইরি অদুগা নুপীগী টিম কোচনা জিই স্রিধারননা ওইরি। ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী ভোল্লবোল টিম অসি হৌজিক–হৌজিক পাটিয়ালা অমসুং বেঙ্গলোরদা নেসনেল কেম্প চথ্খরিবনি।



*ঙরাং লোইশিনখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী গোল্ডন বোল এৱার্দ ফংখ্রবা ক্রোএসিয়াগী কেপ্টেন লুকা মেদ্রিক (ওই) অমদি য়ং প্লেয়র এৱার্দ লৌখ্রবা ফ্রান্সকী কাইলিয়ান মবাপ্পে*